SONY SPL. PRICE
X9300C World Slimmest 4K TV
4.9mm Slim
Sony 55" X9300C
₹2,54,900/- = ₹2,49,900/-
Picture Quality
X-Reality PRO | 3D
Triluminos | 1200 XR Motionflow
Sony's Android TV™
Voice Search | Google Cast
Google Play | Games Google Play
Sound Quality
Dual Acoustic Duct Subwoofer | Clear Audio+
SONY HOUSE. Paona Bz. Imp.
Sarajeevan Enterprises. Paona Bz. Imp.

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

AQUAGUARD
Mineral Water FREE
Samsung 40"LED
FREE Samsung Micro Wave ₹ 6100/-
Samsung 40"LED
₹ 39999/-
Also Available
Samsung 32"LED
₹ 23999/-
FREE Samsung Micro Wave
₹ 6100/-
Videocon House, Paona Bazar
Sarajeevan Enterprises, Paona Bazar
Chingtam, Khoyathong Rd., Anand Hotel



আই এল পি এস



খোঙজং



ঙসিগী অঙৈং-অশা: শাবগী চাং ঃ ৩৫° ঈংবগী চাং ঃ ১৫° | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৫৫ | নোংজুগী চাং : ১২ এম এম

IMPHAL,THURSDAY, 2 JUNE, 2016
শগোলশেল কালেনগী ২৭ নি পানবা

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volum No: 41 Issue: 183 Page : 8 | Price: ` 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

খঙজিন-তাশিনবা হায়বসিমক্তবু অশিংবা অমগী মফমদনা হেন্না খঙগৎ-শিংগৎপা অদুগা অপঙবা অমগী মফমদনা হেন্না হেন্না পঙশিল্লকপা থৌওংনি। য়াবিনিংব্রা

## অহানবা কাখল

### লোইরেদনা

মচাশিংনা মোবাইল পায়বদুদি করিসু খল্লুদেনে, মপানা পায়খৎলকপসিদনি ঐনা ঈ কারিসে য়েনখাদা নোকফেৎ-নোকফেৎ...




কান্নদে থরো, নঙসু অমা লৈরগা পায়য়ু অদুকান্দা খঙনরক্কনি মোবাইলগী মগুনসে... লৈরুরসি চৎলু

# মথৌ তৌগদবা পার্সোনেলশিং পোল্লিং ষ্টেসনশিংয়ৌনখ্রে

## অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা নুপী মীরেপ ৩৬ মীখলসিদা থেংনরি

এস এন এস

ইম্ফাল, জুন ১ ঃ হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা মীওইশিং খোঙশান্নখিবগা লোয়ননা মীখল পাঙথোক্নবা শেম শাবা লোইখ্রে। পুন্না নুপী মীরেপ ৩৬ মীখল অসিদা লাম্বা তৌনরি। মীখল অসি শান্তি ওইনা পাঙথোকপা য়ানবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা থৌরাং পুন্নমক লৌখৎলে হায়না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী সেক্রেটরি রাধারানি মুতুম্না ফোঙদোকখ্রে।



পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং দিসি ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং দি আই সি ওফিস ইম্ফাল ইষ্টতগী মখোয় মখোয়গী পোল্লিং ষ্টেসনশিং গীদমক খোঙশান্নখি।

ঙসি পাউমী খরগা অখন্ননা উন্নবদা রাধারানি মুতুম্না হায়, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি কোর্পোরেসন অসিগী ৱার্দ ২৭কী কাউন্সিলর ২৭ অমসুং ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিতি মেম্বর ৫৪ খন্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ৱার্দ দিবলপমেন্ট কম্মিতি মেম্বর ৫৪গী মনুংদা মীরেপ অনিদি হান্না লাম্বা য়াওদনা মায় পাকখিবনা দব্লিউ দি সিগী সিট ৫২ খক্তমক মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ২৫৫দা পুন্না ভোটর ১,৭৫,৮৬৪না মখা লমায় ৬তা

# নন মণিপুরীশিং কর্ফিয়ু থম্বদগী বন্দগা পাঙ্খক ওইখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল জুন,০১ ঃ জে সি আই এল পি এস ( জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম)না নন মণিপুরিশিংগী মথক্তা পব্লিক কর্ফিয়ু থম্বদগী খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল য়াওনা ইম্ফাল মনুংদা লৈবা দুকান অয়াম্বা থোং হাংনখিদবনা বন্দগা পাঙ্খক ওইখ্রে।

অথিংবা অসিনা খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল মনুংদা নন মণিপুরিশিংগী দুকান (পোৎয়োনফম ) কয়াম লৈবগে হায়বদু মীয়াম্না ময়েক শেংনা উনখ্রে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা পোৎ চৈ থাংদোক থাংজিন তৌবশিং য়াওনা তল চানচিংবা য়োনবশিং য়াওনা শিনফম মচা মচা পায়রিবা মীওইশিং উবা ফংনখদ্রে। কৈথেল মনুংগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা দুকানশিং অয়াম্বা থোং লোন্নখি। পাউনা কৈথেল মনুংগী লম্বী অসিদা দুকান ১৫০রোমতমক হাংখি। লম্বী অসিগী মমাংথংবা শরুক্তা গারী পার্কিং ওইনবা অমসুং দুকানশিং অসিদগী মীয়াম্না পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লুবনা মী চিনবনি। অদুবু ঙসিদি নন মণিপুরিশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্বা অসিনা দুকানশিং মশিং য়াম্না হাংদনবগী মরম ওইবগী মমি চাওনা তাখি।

নন মণিপুরিশিং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা উবা ফংদবা অসিনা মরম ওইদুনা মখা লমায় ৬তা

## মীতোপ ভোট থাদবা য়ারোই, আই এল পি চৎনহনগদবনি হায়বগী দিমান্দদা

# পাক্তক্লনা ব্রাকৎ মীফম ফমদুনা রেল্লি চৎখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ১ ঃ এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা আই এল পিগী বিল অহুম খুদক্তা চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দদা জে সি আই এল পি এসনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা চং শিল্লকপা অকনবা খোঙজং ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা চখখি। তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা রেল্লি চৎখি।



ঙসি খোঙজং চংশিনখিবা মফমশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা কংলৈপাক নর্সিং ইন্স-টিট্যুটকী মহৈরোইশিংনা রেল্লি চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। খুরাই কোন্সম লৈকাইদগী হৌরকখিবা মহৈরোইশিংগী খোঙচৎ অদু লম্লোং বজার ফাওবা লাকখি মদুদা পুলিসনা অথীংবা পীরবসু য়ান্নবা অমগী মখাদা খুরাই অহোঙ্গৈ ফাওরক্লগা সোইবম লৈকাই তারক্তুনা জেনিমস রোদতা অমুক লাক্লগা লম্লোং বজার তারক্লগা মখোয়গী ইন্সটিট্যুট মমাং ফাওবা চৎখি। মহৈরোইশিংগী খোঙচৎ অদুদা এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা আই এল পি বিল খুদক্তা চৎনহল্লু। মীতোপ্না ভোট লেপ্পা য়ারোই, মীতোপশিং ভোটর লিষ্টতগী কক্ক দবনি অমদি লোং লিব মণিপুর হায়বা স্লোগান কয়া লাউখি।

তেরা লুক্রাম লৈরক্তসু মফম অদুগী মশিং য়াম্লবা নুপা-নুপী থোক্লক্তুনা রেল্লি চৎখি। মশিং য়াম্লবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু নাওরেমথোং ফাওবা লাক্লুবা মতুং উরিপোক তারক্লগা রিমস রোদকী হায়জিনফম ময়াদা পুলিসনা থৎপদগী অমুক হল্লক্তুনা তেরা লুক্রম লৈরক ফাওবা চৎখি। মফম অদুদা লৈবা ভারত সরকারগী লোইশঙ সিপেক্টকী ওফিস ছো লোনশিনখ্রবা মতুং ঙসিসু মদুদা লৈবা মপাল লমগী মহৈরোই কয়া কৌথোক্তুনা আই এল পি চৎনহল্লু হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউমিন্নখি হায়রি।

শিংজমৈ টোপ লৈকাইগী মীয়াম্নসু শিংজমৈ কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চখখি।

লিল্লোং বজার, ক্যামগৈ পল অহন্বী, কাঞ্চিপুর বজার, ককৱা লমদাইবুং, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকাই, হিয়াংথাং, লংথবাল, মোং শাঙ্গৈ, পিশুম থোং, নিঙোম লৈরক, এলাংলৈকাইগী মফমশিংদসু মীয়াম্না লম্বী থীংদুনা ৱাকৎ মীফম চখখি।

ব্রেলফিয়ার এসোসিয়েসন ফোর দি ব্লাইন্দ তাকয়েলনা শিন্দুনা হোম ফোর দি ব্লাইন্দগী মহৈরোইশিংনা সাই আর সি তাকয়েল মমাংদসু ৱাকৎ মীফম চখখি। য়েংখোম লৈকাই দিভলমেন্ট ক্লবনসু ক্লব অসিগী শঙলেন্দা তেরা লুক্রাম লৈরক মচিন, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক মচিন, ৱাহেংবম লৈকাই লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোল, ভৈঘো হোটেল মমাং, শঙাকফম বজার, খাবম লমখাই, য়ুন্নাম শওম্বুং, ৱাঙ্খেং পুজা লম্পাক, কোংবা মঙজিন, খোয়াথোং দা পোইরৈ লৈমরোল অপুন্বা নুপী লুপকী ওফিস মমাংদা মীয়াম্না আই এল পিগী এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা বিল খুদক্তা চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দদা ৱাকৎ মীফম চখখি।

নোংমৈবুং চাকপ্রম লৈরক নুপী লুপনসু অয়াংপলিদা, হৈরাঙ্গৈাই থোং মাইবম লৈকাইগী নুপীশিংনসু মাইবম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা,হৈরাঙ্গৈাই থোং ওইনাম লৈরক মৈরা পায়বীনসু লম্বী থীংদুনা ৱাকৎ মীফম চৎখখি। মসিদা তোঙানবা মফম কয়াদসু মীয়াম্না লম্বী থোক্লক্তুনা লম্বী থীংলদুনা ৱাকৎ মীফম পাক্তক্লনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

